# অঙাংগী বাইবল

## খুদোল তাম্জারী

# যীশু পোকপা




অইবা : Edward Hughes
লাই ুয়ক্পিবা : M. Maillot
হন্দোকপিবা : Prem Chand Singh
চুনাহান্বিবা : E. Frischbutter; Sarah S.


ৰারি ৬০ গী ৩৬


**www.M1914.org**

***Bible for Children,*** *PO Box 3, Winnipeg, MB R3C 2G1 Canada*



লাইসেন্স: পোৎচাকশিংসি অদোম্না কোপি তৌবা নত্রগা নমথোক্পা য়াই অদুবু ুয়াল্লাগা শেন্দান লান্বিগী ওইনা সিজিন্নাবাদী য়ারোই।


Meitei Manipuri

থায়না মমাংঙৈদা, নৌরিবি ইহুদি লৈশাবি মেরি কৌবি অদুগী মনাক্তা ঈশ্বরনা গাব্রিয়েল কৌবা স্বৰ্গদূত অদু থারক্লম্মি।



মহাক্না মেরিদা হাইরম্মি, “নহাক নচা নুপা অমা ফংগনি অমসুং মহাক্কী মমিং যীশু কৌগনি। মহাক্পু খ্বাইদগী ুংবা অদুগী মচানুপা কৌগনি। মহাক মতম পুম্নামক্তা পানগনি”।




লৈশাবি অদুনা ঙকনা হাইরম্মি, মদু করম্না ওইথোক্কানি? “ঐ নুপা কনাগসু লোয়নাখিবা লৈতে”, অঙাং অদু ঈশ্বর্দগী লাক্কনি হায়না স্বর্গদূত অদুনা মেরিদা হাইরম্মী। তাইবংপান্বাগী মপা ওইরোই।
3


স্বর্গদূত অদুনা মেরিদা হায়রম্মি মদুদি মহাক্কী মখুরাগী মচা ইলিজাবেথসু চহি অসুক য়াম্লাবসু অঙাং অমা ফংগদৌরি হায়না। মসিসু অঙকপা অমা ওইরম্মি। খুদক্তা, মেরি ইলিজাবেথকি মনাক্তা চৎলম্মি। মখোই পুন্না ঈশ্বরবু থাগৎলম্মি।
4


মেরিসি মতম অদুদা জোসেফ কৌবা নুপা অমদা হায়না-শিংনবা লোয়নাখ্রাবা ওইরম্মি। জোসেফ মেরি মিরোল্লি তাবদা_াখল য়াম্না_ারম্মি। অঙাং অদুগী মপা অতোপ্পা নুপা অমা শোয়দনা লৈরম্গনি হায়না থল্লম্মি।
5


মং অমদা, ঈশ্বরনা জোসেফতা অসুম্না হাইরম্মি অঙাং অসি ঈশ্বরগী মচা নুপানি। জোসেফনা যীশুবু য়েংশিনবাদা মেরিবু মতেং পাংগদাবনি হাইরম্মি।
6


জোসেফ থজারম্মি অমসুং ঈশ্বরনা হায়বা ইনলম্মি। মহাক মহাক্কী লৈবাক্কি নীয়মশিংবুসু ইনলম্মি।
7


অনৌবা নিয়মগী মতুংইন্না, মহাক অমসুং মেরি মখোয়গী খুংগঙ থদোকল্লাগা, বেথলেহেম তান্না ট্যাক্স থিবা চৎলম্মি।
8


মতম অদুদা মেরি অঙাং উনাবগী মতম ওইরম্মি। অদুবু জোসেফ কা অমা ফাও থিবা ফংলমদে। মীথুংশঙ খুদিংমক্তা অহাংবা অমতা লৈরম্দে।
9
মামৈদা জোসেফ শগোলশঙ অমা ফংলম্মি। মফম অদুদা অঙাং যীশু পোক্লম্মি। মহাক্কী মমানা মহাকপু শা মচিঞ্জাক থাকফম শগোলখুদেংদুদা থানম্মি।
10
মনাক অদুদা, য়াওসেনবাশিং মখোইগী তুম্লিবা য়াওশিং ঙাকসেন্দুনা লৈরম্মি। ঈশ্বরগী স্বর্গদূতনা মখোইদা উহনবিরম্মি অমসুং অঙকপা পাও অসি মখোইদা হাইরম্মি।
11
“ঙসি দাভিদকি শহরদা কন্নিবা মপু ঈশ্বর ইবুংঙো খ্রিষ্ট যীশু পোক্লে। নখোয়না অঙাং অদুবু শগোলখুদেংদুদা লৈবদু থেংনাগনি”।
12
খুদক্তা, অঙালবা স্বর্গদূত ময়াম থোরক্তুনা, ঈশ্বরবু থাগৎতুনা হায়রম্মি, ...
13
... “প্রিথিবিদা শান্তি অমসুং ইাং-াংবাদা ঈশ্বরগী মতিক মগুল, তাইবং মীওইবদা অফাবা ওইসনু”।
14


য়াওসেনবাশিং অদু শগোলশঙদা য়াম্না থুনা চৎলম্মি। অঙাং অদু উরবা মতুংদা মখোই মশেন অমগা–অমগা হায়নারম্মি যীশুগী মরম্দা স্বর্গদূতনা হায়রম্বাদু চুম্মী হায়না।
15


নুমিৎ নিফুনিগী মতুংদা, জোসেফ অমসুং মেরিনা যীশুবু জেরুসালেমগী মন্দির্দা পুরক্লম্মি। মফম অদুদা সিমেওন কৌবা নুপা অমনা অঙাং অদুগীদমক ঈশ্বরবু থাগৎলম্মি, অদুগা অহল অন্না, অতোপ্পা ঈশ্বরগী থৌগল তৌবা অমনাসু থাগৎলম্মি।
16


মখোই অনিমক যীশু অসি ঈশ্বরগী মচা,কন্বিবা মপু থারক্কানি হায়বা_াশক্তুনি হায়বা থংলম্মি। জোসেপ্পা উচেক অনি কৎথোক্লম্মি।
17


মসি কৎথোকপগী ঈশ্বরগী নিয়ম ওইরম্মি লাইরবাশিংনা মখোয়গী অনৌবা অঙাং ঈশ্বর্দা কৎথোকপা মতমদা তৌগদবানি হায়বা।
18


মতম খরা লৈরগা, তোপ–তোপ্পা থ্নানমিচাক অমনা নোংপোকলোমদগী অশিংবা মীশিংদু জেরুসালেমদা লেমজিংদুনা পুরক্লম্মি। "ইহুদিগী নৌনা পোকপা নিংথৌদু কদায়দা লৈগে হায়না মখোইনা হংলম্মি ? ঐখোয় মহাকপু খুরুম্বা পামজৈ"।
19


নিংথৌ হেরোদনা অশিংবা মীশিংগী মরমদা তরম্মি। মহাক য়াম্না থামোই_ারমই, মহাক্না মখোইদা হাইরম্মি নাখোইনা যীশুবু ফংবগা ঐঙোন্দা হায়বিয়ু। "ঐসু মবু খুরুম্বা পামজৈ", অদুবু মহাক্না মচিন থিরম্মি। হেরোদ যীশুবু হাৎপা পাম্লম্মি।
20













## যীশু পোকপা

বাইবল অসি ঈশ্বরগী ৰাহৈদগী ৰারি অমনি

মসি ঐখোইনা ফংই

মাথী ১-২, লুক ১-২

"ঈশ্বর মহাক্কী ৰাহৈ অদুনা ঐখোইদা ঙাল্হাল্লি।"
লাইশোল ঈ শৈ ১১৯:১৩০

ঐখোইনা পাপ কৌবা ফত্তবা থবক
অদু তৌখ্রে হাইবা ঈশ্বরনা খঙই। পাপকি অতৌমন্দি শীবনি।

ঈশ্বরনা নহাকপু অসুক্কী মতিক নুংশিবী মরম অদুনা মহাক্কী অমতা ঙাইজবা মচা নুপা যীশুবু নহাক্কী পাপ্কী মমল কোকপিনবা ক্রোস্তা শীবিনাবা থাবিরে। অদুম ওইরসু যীশুনা অমুক শীবাদগী হিংগত্তুনা স্বরগদা চংথি! মরম অসিনা ঈশ্বরনা ঐখোইগী পাপশিং ঙাকপিবা ঙমই।

নংনা পাপ্কি লম্বিদগী হাল্লাকপা পাল্লাবাদি, অসুম্না ঈশ্বরদা হাইজৌ: নুংশীরবা যীশু, ঐনা থজাজে মদুদি যীশুনা ঐগীদমক শীবি অমসুং শীবাদগী হিংগৎলি। নহাক্কি নচা অমা ওইনা হিংবা ঙম্নবা ঐবু মতেং পাংবিয়ু। অমেন। যোহান ৩:১৬

নুমিৎ খুদিংগী বাইবল পাও অমসুং ঈশ্বরদা প্রথনা তৌ!